## সাউথ এসিয়ান ইন্সরজেন্টশিংগী ষ্ট্রেতেজিক য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট

# শেম্নবা ম্যান্মারদা মীফম পাঙথোক্লবা য়ারি

*কোলকটা, জুন ২ঃ* হন্দক্তা পিএলএগী লুচিংবা অহুম ফাখিবা অমসুং মাওইষ্টকী লুচিংবা ইন্দ্রানিল এলাইজ অজয়চন্দ্র ফাখিবা অদুদগী লালহৌলুপ অনি অসিনা কোলকটাদা ম্যান্মারদগী নোংমৈ লৈথোক-লৈশিনগীদমক ত্রাঞ্জিট ওফিস অমা হাংদোক্লগ্নে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। অমরোমদা ইন্দিয়ান ইন্টলিজেন্সনা ম্যান্মারদা এদভান্স ত্রেনিংগীদমক মাওইষ্টকী ময়াই ওইবা থাক্কী মিলিটরি কম্মান্দরশিং থাখ্রে হায়না থাজবা লৈরে হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবনা মাওইষ্টকী কাদরশিং থা খরগী মতুংদা ম্যান্মারদা সাউথ এসিয়ান ইন্সরজেন্টশিংগী ওইনা ‘‘ষ্ট্রেতেজিক য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট’’ অমা শেম্নবা কোওর্দিনেসন মীটিংদা শরুক য়ারবা য়াই। মাওইষ্টনা খুৎশু-খুৎলাই লৈনবা অমসু মখোয়গী ত্রেনিংগীদমক লুপা ক্রোর ২০০গী শেনফম অমা কায়থোক্লবা য়াই। ম্যান্মারদগী চাইনাদা টেলিফোন কোল অমদা ইন্টরসেপ তৌবগী মতুংইন্নদি হায়রিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মেজর আউটফিটশিং য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্ট্রেতেজিক য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেম্বগী মীফম অসিদা ম্যান্মারগী খ্বায়দগী চাওনা আইন্না য়াদবা মওংদা খুৎশু খুৎলাই শারিবা ‘‘ৱা ষ্টেট আর্মি’’ গী শক্লোন লৌদুনা চাইনিজ ইন্টলিজেন্সশিং শরুক য়ারবা য়াই হায়না সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা থাজরি।

হৌখিবা চহি ২০০৬ তা মাওইষ্টনা পিএলএগা শম্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা ২০০৮ দগী পুন্না থবক তৌবা হৌরকখিবনি। লোয়ননা খুৎলাই লৈথোক-লৈশিন তৌবা, ফন্দ ত্রান্সফর তৌবা অমসুং মীটিংনচিংবগীদমক কোলকটাদা ত্রাঞ্জিট ওফিস অমা থম্লকখিবনি।

হৌখিবা চহি ২০১০ দা সরানদদা পিএলএ না মাওইষ্টশিংগী ত্রেনিং পীবদা নত্তনা নোংমৈ, নোংমৈ মরুশিং অমসুং কম্যুনিকেসনগী পোৎলমশিং সপ্লাই তৌবা হৌরকখি। হায়রিবা কন্সাইন্টমেন্ট অদুগী শরুক খরা কোলকটা পুলিসনা মাওইষ্টকী ষ্টেট সেক্রেটরি কনচাল অমসুং অতোপ্পা অহুম ফাবদগী ইন্টরসেপ তৌবা ঙমখি। মদুগী মতুংদসু মখা তানা থম্নদুনা মাওইষ্টকী সেন্ত্রেল কম্মিটি ইন্দ্রনিলচন্দ্র এলাইজ জুলানগী সুপরভিজন মখাদা ইন্দিপেন্দেন্ট য়ুনিট অমা ওইনা থবক তৌবা হৌখি।

কোলকটাদা লৈবা মাওইষ্ট -পিএলএগী ওফিস অসি হন্দক্তা জাদভপুরদগী পিএলএগী ধিরেন ফাবদগী খঙবা ঙমখি। ধিরেনগী মমিং অসি মমাং চহি ২০১১গী সেপ্টেম্বরদা দিল্লিদগী ফাখিবা পিএলএগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স চিফ ৱাংবনসু পল্লকখি হায়না এনআইএগী সোর্স অমনা হায়রি।

ফারবা ৱাংবা, ধিরেন অমসুং অনোর্ল্ড এলাইজ বিকোমগী মতাংদা সেন্ত্রেল এজেন্সিশিংনা চার্জসিট অমা হান্ননা সবমিট তৌবা লৈখ্রে। ফারবা অনোর্ল্ডদি সরালদদা মাওইষ্ট ত্রেনিং পীরুবা পিএলএগী কেদর অমনি হায়না চার্জ তৌরি। ধিরেন ফারবা মতুং অনোর্ল্ড সিলিগুরিদা চৎতুনা কোল সেন্টর অমদা থবক তৌবা হৌখি। অদুবু পুলিসনা মায় পাকহনখিদ্রে। অদুম ওইনমক মাওইষ্টকী মরুওইবা মিলিটরি কম্মান্দর ২৪ রোম ম্যান্মারদা এদভান্স ত্রেনিংগীদমক পিএলএগী কষ্টদিদা থাখ্রে হায়না এনআইএগী ওফিসারশিংনা থাজরি হায়না পাউগী সোর্স অসিনা হায়রি।